# এসিয়ন জুনিয়র ৰুশু চেম্পিয়নশিপ শরুক য়ারুনবগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ ঃ
থা অসিগী ৬ তগী ৯ ফাওবা চাইনাগী ইন্নর মোঙ্গোলিয়াদা লৈবা জিলিন গোল্ড লীগতা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ৮ শুবা এসিয়ন জুনিয়র ৰুশু চেম্পিয়নশিপ ২০১৫ দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী শান্নরোই ৩ অমসুং কোচ অমা ঙসি দেল্লি থাদোকখ্রে।

মণিপুরদগী শান্নরোই অহুম অমসুং কোচ অমা অমদি শান্নরোইদা তপস অচোম, বুলটে খাইমিনলিয়ন অলবর্ট ৰাইফৈ অমসুং কর্ণজিৎ শর্ম্মা হঞ্জবমনি অদুগা টিম কোচনা এল প্রদিপকুমার সিংহনি।

নুমিৎ ৪ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন জুনিয়র ৰুশু চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী শান্নরোই অহুম অমসুং কোচ অমা ঙসি দেল্লিগী ইন্দিরা গান্ধি ইন্টরনেশনেল এয়রপোর্ট থাদোক্তুনা চাইনা পাঙখ্রে।

হায়রিবা এসিয়ন জুনিয়র ৰুশু চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই অহুম অসিনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শোয়দনা মেদল লৌরক্ক বগীদমক ৰুশু এসোসিএশন ওফ মণিপুরনা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিরি হায়রি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী জুনিয়র ৰুশু শান্নরোই অহুম্মক থোইদোক হেন্দোক্না য়াম্না হৈশিংলবা শান্নরোইনি। শুংশোই শোইদনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শান্নরোই অহুম্না মেদল লৌরক্কনি হায়রি।

## মণিপুর শুটিং কম্পিটিশন পাঙথোল্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ ঃ মণিপুর রাইফলস এসোসিএশন্না শিন্দুনা ২৫ শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিশন ২০১৫ পাঙথোল্লগনি। মরম অদুনা কম্পিটিশন অসিদা শরুক য়ানিংবা মণিপুর রাইফলস এসোসিএশন, মণিপুর পুলিস, এন সি সি, ষ্টেট হোম গার্ড, পেরামিলিটরি অমসুং ইন্দিভিজুএল শুটরশিংনা নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ৬.৩০ দগী ১০ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর রাইফলস এসোসিএশনগী ওফিসতা লাক্তুনা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি।

কম্পিটিশন অসিদা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ইভেন্টশিং অদুদি এয়র রাইফল অমসুং এয়র পিষ্টল, পোইন্ট ২২ রাইফল অমসুং পিষ্টল অমদি পোইন্ট ৩২ পিষ্টলনি। এয়র রাইফল অমসুং এয়র পিষ্টলগী এন্ত্রি ফিনা লুপা ৩৫০ নি। পোইন্ট ২২ রাইফল পিষ্টলগী এন্ত্রি ফিনা লুপা ৪৫০ অদুগা পোইন্ট ৩২ পিষ্টলগী এন্ত্রি ফিনা লুপা ৪৫০ নি।

ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ৮ ফাওবনি হায়না মণিপুর রাইফলস এসোসিএশনগী জোইন্ট সেক্রেটরি কে ঐচ গোজেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# অহানবা মণিপুর ওপন চেস টুর্নামেন্টতা শান্নরোই ২৯ না পোইন্ট ২/২ ফংদুনা মাঙজিল থানখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ ঃ
মণিপুর চেস এসোসিএশন্না শিন্দুনা ব্রহ্মপুর নহাবমদা লৈবা ধর্ম্মলয়া সোসিএল ৰেলফেয়র কলচরেল কম্যুনিতি হোলদা চথরিবা অহানবা মণিপুর ওপন চেস টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি নিনি চনবা নুমিত্তা অনীশুবা রাউন্দ পাঙথোকখিবগা লোয়ননা পুন্না শান্নরোই ২৯ না পোইন্ট ২/২ চপ মান্ননা ফংদুনা মাংজিল থাবা ঙমখ্রে।

লমদমসিদা চেস মশান্না হেন্না চাউখৎহন্দুনা অমদি হেন্না অফবা শান্নরোই কয়া পুথোরক্লবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবা অহানবা মণিপুর চেস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অনীশুবা রাউন্দদা পোইন্ট অনী ফংদুনা মাংজিল থামিন্নরিবা শান্নরোইশিংদি আর কে এপোলোস্না, এম বঙ্কিম, এস প্রেমজিৎ, এ মুহিন্দ্রো, এন কিশন, পি চিত্তরঞ্জন, ৰাই সঙ্কর, এস বোবোচা, কে কুঞ্জবিহারি, ৰাই ধনবির, কে ঐচ সঞ্জয়, এ চক্রিতোম্বী, টি ঐচ সোনাচান্দ, ঐচ জেকি, ও নিংথেম, ৰাই প্রিটম, ঈ শসিকান্তা, এ রোমিও, আর কে রাজ, টি মনিকান্তা, দল্লিয়ু ভিম, কে ঐচ জোনসন, দল্লিয়ু ধনেশ্বর, ৰাই শসিকান্ত, এন রাজেশ্বর, দল্লিয়ু বিদ্যানন্দা, এল বোবোইচা, ৰাই নাওচা অমসুং ৰাই য়াইস্নানি।



ঙসি অনীশুবা রাউন্দদা পুন্না টেবল ৭১ দা শান্নরোই ১৪২ না শরুক য়াদুনা অথোই অহেন তান্নখিবা অসিগী অহানবা টেবলদা এ ফোলেন (১+.৫) অমসুং এস বিক্রমজিৎ (১+.৫) দ্রো ওইদুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে। অনীশুবা টেবলদা মমিং লৈরবা শান্নরোই আর কে এপোলোসনা (১+১) না এ সরত (১+০) মায়থিবা পীখ্রে। অহুমশুবা টেবলদা ৰাই ধনবির (১+১) না এ কে ইবুংঙো (১+০) মায়থিবা পীখ্রে। মরিশুবা টেবলদা কে ঐচ সঞ্জয় (১+১) না সি ঐচ সুনিল (১+০) মায়থিবা পীখ্রে।

মঙাশুবা টেবলদা এম বঙ্কিম (১+১) না ঐচ রোজর (১+০) মায়থিবা পীখ্রে। ৬ শুবা টেবলদা এ চক্রিতোম্বী (১+১) না ঈ জেক্সন (১+০) মায়থিবা পীখ্রে। ৭ শুবা টেবলদা এস প্রেমজিৎ (১+১) না ৰাই কলা (১+০) মায়থিবা পীখ্রে। ৮ শুবা টেবলদা টি ঐচ সোনাচান্দ (১+১) না এন সৈলেন্দ্র (১+০) মায়থিবা পীখ্রে। ৯ শুবা টেবলদা এ মুহিন্দ্রো (১+১) না কে প্রটাপ (১+০) মায়থিবা পীখ্রে অদুগা ১০ শুবা টেবলদা ঐচ জেকি (১+১) না ঐচ রোজিৎ (১+০) মায়থিবা পীখি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট শুটিং কম্পিটিশন ২০১৫ শুটর ৬৮ না শরুক য়াদুনা হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ ঃ
মণিপুর রাইফলস এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফলস এসোসিএশন্না শিন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা শুটিং রেঞ্জদা ৬ শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট শুটিং কম্পিটিশন ২০১৫ শুটর ৬৮ না শরুক য়াদুনা হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ৭ ফাওবা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসি ঙসি নুংথিল মণিপুর রাইফলস এসোসিএশনগী এদভাইজর সি ঐচ ইবোহল রিটয়র আই এ এস, মণিপুর রাইফলস এসোসিএশনগী এদভাইজর এস কৃষ্ণমোহন অমসুং মণিপুর রাইফলস এসোসিএশনগী এদভাইজর এস সৈত্যবত্রনা মথঙশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা হৌদোকখি।

চেম্পিয়নশিপ অসি তোঙান তোঙনাবা ইভন্টে ২২ দা শুটর ৬৮ না শরুক য়াদুনা অথোই অহেন তান্নগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপী শুটর ২০ অমদি নুপা শুটর ৪৮ না শরুক য়ারি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারিবা শুটরশিংদা ঙসিগী থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা সি ঐচ ইবোহলনা থকসি-খাসি লৈনা অমদি ওজাবু মশক খঙনা চৎকদবনি। লোয়ননা অফবা শুটর অমা ওইননবগীদমক থৌনা হনবা লৈতনা হোৎনগদবনি হায়খি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ইভেন্ট হৌদোক্লিঙৈগী মাংওইননা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরনা রাইফল কাপ্পুনা হৌদোকখি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী হয়েং অয়ুক্তগী হৌনা কম্পিটিশন পাঙথোল্লগনি। পুন্না ইভেন্ট ২২ পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শুটরশিংনা ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা মকোক ওইননবগীদমক কন্না হোৎনগদবনি। চেম্পিয়নশিপ অসি হেক লোইবগা ষ্টেট লেভেল শুটিং কম্পিটিশন পাঙথোক্কনি।

# ফ্রান্সনা মেন'স ৪X১০০ মিটর ফ্রি ষ্টাইল ৱর্ল্ড টাইটল লৌখ্রে



কাজল, ওগষ্ট ০৩ ঃ হৌজিক হৌজিক মফম অসিদা চথরিবা ৱর্ল্ড স্বিমিং চেম্পিয়নশিপ্তা ফ্রান্সনা য়ুম্লু ওইরিবা রসিয়াবু ফাইনেলগী লোইরমদাই ষ্টেজদা অথিংবা পীরবা মতুং ৱর্ল্ড স্বিমিং চেম্পিয়নশিপ্তা মেন'স ৪X১০০ মিটর ফ্রি ষ্টাইল রিলে টাইটল অমুক হন্না লৌবা ঙমখ্রে।

ফ্রান্সকী মেহদি মিটেলা, ফ্লোরেন্ট মানোদো, ফেবিয়ন দাইলোদ অমসুং জেরিমাই ষ্ট্রাবায়সনা শাবা ক্বার্টরনা লমথুংফম য়ৌবদা মিনিট ৩ গী পুংফম থমখি। সিলভর মেদলনা য়ুম্লু ওইরিবা রসিয়ানা ফংখ্রে। ইটলিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে। ফ্রান্সকী এচিভমেন্ট অসি মখোয়গী টিমদা মিটর ২০০ গী ফ্রিষ্টাইল ৱর্ল্ড অমসুং ওলেম্পিক চেম্পিয়ন য়ানিক এঞ্জেলনা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওদবা ওইরগসু য়াম্না ফজবা পার্ফেমেন্স লেংদনা লৈহনবা ঙমখি। ফ্রেন্স এনকোর ওইরিবা হান্না মিটর ১০০ গী বেকষ্ট্রোক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ষ্ট্রাবায়সনা য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স পীখি।

## মণিপুর চেস টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ ঃ
অসামগী দিলিয়াজান্দা থা অসিগী ৫ দগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫ শুবা ওইল নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট চেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৫ দা মণিপুর চেস এসোসিএশনগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর চেস টিম ঙসি অয়ুক অসামগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

নুমিৎ ৭ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট চেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৫ দা মণিপুর চেস এসোসিএশনগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা টিম অসি মশক নাইরবা শান্নরোই এল অতেনবীনা লুচিংখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা ফজবা পার্ফোমেন্স পীরক্তুনা চাউনা মায় পাল্লক্কনি হায়না মণিপুর চেস এসোসিএশনগী সেক্রেটরি আর কে সনাজাওবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## অম্বাগী খন্ন নৈনবগী মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ ঃ বিহারগী কোনুং পটনাদা লৈবা মংলাম হোলদা থা অসিগী ৩০ দা ১৪ শুবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং অমসুং ৫ শুবা ৰুমেন ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৫ পাঙথোল্লগনি। হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা লৈবাক্কী ফিভম অসিগী মতাংনা মরম ওইদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুর টিম থাগদ্রা থারোইদ্রা হায়বগী মতাংদা খন্ন নৈনবগীদমক ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশনগী মেম্বরশিং, একজিক্যুটিভ মেম্বরশিং অমসুং নেশনেল জজ খুদিংমক্না থা অসিগী ৮ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা এসোসিএশনগী ওফিসতা লাক্কদবনি হায়রি।

## মণিপুরী ৱারীমচা চাংদম্নগনি

সেকেন্দরি থাক্তগী হৌরগা য়ুনিভর্সিটিগী থাক ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা ইবা ৱারীমচা অথোই-অহেন চাংদম্নগনি। শরুক য়াবিনীংবা মহৈরোয়শিংনা ৱারীমচা ইবিরকপা মতমদা ৱাহৈ ৬৫০ দগী হেনবিরোইদবনি, লোয়ননা A4 গী চেদা লমায় নাম্মতমক ইরগা নত্রগা নমথোল্লগা ইশাগী বাইওদতা অমসুং পাসপোর্ট সাইজ ফোটোগা লোয়ননা নভেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা হুইয়েন লানপাওগী ওফিসতা থাগৎপিরক্কদবনি। চাংদম্নবা অসিগী ফল লাপ্লিবা দিসেম্বর থাগী মনুংদা লাউথোক্কনি অমসুং মকোক মথং তারবশিংদা শেলগী মনাসু পিজগনি।

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স




HL-B/2602/21,23,25,27,29,31,2,...18(alt)



HL-B/2624/31/7-31/8



HL-P/5854/4,5,6,7...18



HL-P/5753/23,25,...20 (alt)



HL-B/2625/1-31/8



HL-B/2618/24/7-23/8



HL-B/2617/24-7/23/8


Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Pucca Building, Ground Floor (Manipur)
Editor : Hemantakumar Ningomba; RNI Registration No. 40746/1978; Tel # (0385) 2440771/2445104 (Advt. Section), (0385) 2445106 (News Section), +91-(0)9856594262 (Readers Care Number), e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com MNP-409, website:www.hueiyenlanpao.com